# মাউদগী দেং ফাওবগী মতমদা চাইনাগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনবা মরীদা লাকখিবা অহোংবশিং -৫

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

পি আর সী লিংখৎখিবা মতম অদুদগী হৌনা মাউনা "ঐখোয় চাইনিজশিং লেপখৎলক্লে" হায়না লাউথোক্কুনা, ইতৎ তত্তনা মহাক্কী রেভল্যুস্নরি প্রোগ্রামশিংনা চাইনাবু মতৌ করম্না "ৱাত্ত-পাদবা অমসুং মতীক চাউবা" লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমগদগে হায়বসি উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী "রেভল্যুশন মথং মথং চত্থবা" হায়বা ৱাখল্লোন অসিবু মীয়াম্না পামহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মাউগী রেভল্যুশনশিং অদুনা চাইনিজ মীয়ামগী মথক্তা চত্থখিবা তমথীবা পোলিটিকলগী মীওৎ-মীনৈ অমসুং শেন্মীৎলোন লৈখা তারকপগী ফীভম অমনা মীয়ামগী মরক্তা শাথীনা য়ানীংদবগী অকনবা ঈহুল অমা পোক্নরকপা অমসুং মদুবু চাইনাগী কম্যুনিষ্ট লৈঙাক্না মায়োক্নরকপা মতাং অমদা, চ্যেরমেন অসিনা চাইনাগী মীয়ামদা -- মহাক্কী রেভল্যুশনশিংনা চাইনাবু থাক ৱাংখৎহন্নবা অমসুং মালেম অসিবু শেমদোক্নবা হোৎনবদা লেপ্পা লৈতনা মরু ওইবা শক্লোন অমা লৌখি হায়বসি খঙহন্নবগীদমক্তা "থ্রী ৱর্ল্ডস" অমসুং "মোদর্নাইজেশন মরি" গী ৱাখল্লোন অসিদা ইহান হানবা ওইনা অয়াবা পীখি। অদুম ওইনমক, মাউনা "দিভেলপমেন্ট" তা মরু ওইবা মীৎয়েং থম্লকপা মীৎকুপ অদুমক্তদা, মতম অমদা লান্থোকপা ঙম্লরোইদবা অচৌবা পল অমনি হায়না লৌনরম্বা, রেভল্যুস্নরি চাইনা অমসুং "মপানগী মালেম" অনী অসিগী মরক্তা খারম্বা চেকপল অদু নীংখায়বা হৌরকখি।

ৱারেং অসিগী অহৌবা শরুক্তা পনখিবগুম্না, মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াবা ৱাফম অমদি কোল্ড ৱার হায়বসি, চাইনিজশিংগী মীৎয়েংদদি কুমজা ১৯৯০গী অঙনবা মতমদা লোইশিনখিদে, চাইনিজ-আমেরিকান অনীনা নৌনা খুৎশম্নরকপা কুমজা ১৯৭০গী মতমশিং অদুদা থুপচিনখিবনি হায়বসিনি। মসি, কম্যুনিষ্ট-চাইনানা কোল্ড ৱার মতুংগী মতমশিংদা চাইনানা করিগী অমসুং মতৌ করম্না মোদর্নাইজেশনগী অকনবা খোঙজং চঙশিনবা ঙমখিবগে হায়বা অসিবু খঙবা ঙম্নবা হোৎনবদা য়াম্না মরু ওইবা মতাং অমনি।

মাউ, কুমজা ১৯৭৬কী সেপ্টেম্বর ৯দা লৈখিদবগা লোয়ননা মাওইষ্ট রেভল্যুশনগী মতম লোইশিনখি। মতম খরা লৈরগা দেং জিয়াউপিংনা চাইনাগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ওইখি। মতাং অসিদগীদি চাইনাদা অনৌবা মতম অমা লাকপা হৌরে। দেংনা খোঙলৈ থুনা, মাউগী ক্লাস-ষ্ট্রগলনা য়ূম্ফম ওইবা খন্ন-নৈনবা অমসুং রেভল্যুশনগী মচৎশিং অদু থাদোক্লকখি। দেংগী পোলিটিকল ফিলোজোফি অসি মহাক্কী ফজরবা "হৌদোংগী থীওরি" -- "হৌদোং অমুবা ওইরবসু নৎত্রগা নাপু মচু ওইরবসু, উচি হেক ফারিবমখৈদি অফবা হৌদোং অমনি" হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইবনি। দেংনা কম্যুনিজমবু য়ানীংদবা উৎপগী মহুত্তা, থাপ্লবা তুংগী মতমগী অশানবা মীৎয়েং অমা ওইনা লৌখি। কম্যুনিজমগা মান্নদবা মওংদা হৌজিক মতৌ করম্না হিংগনি হায়বা ৱাফম অসিনা দেংগী মপূং ওইবা ৱাখল্লোন ওইখি। দেংনা কৈদৌনুংদসু সোসিয়েলিজমগী বেন্নর অসি থাদোক্লীংবা পোকখিদে, অদুবু "সোসিয়েলিজমদি লায়রবা নত্তে" হায়বা ফিদম অসিদা অচেৎপা থাজবা থমখি। মরম অসিনা ইকনোমিক্সনা "রেভল্যুস্নরি পোলিটিক্স" তগী হেন্না মরু ওইফম থোকই হায়না দেংনা ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা চৎনরোল অসিনা লমজিংদুনা দেংনা চাইনাদা চহী কুন্থ্রা চূপ্পা চৎনদুনা লাকখিবা, ষ্টেটনা কন্ট্রোল তৌবা হকচিনবা "কম্মান্দ ইকনোমি" বু তঙাইফদনা শেমদোকপা মথৌ তাই হায়না খনখি। মাউগী "লেপ্পা লৈতবা রেভল্যুশন" না মায়থীবদগী চাইনিজ কম্যুনিষ্ট ষ্টেটতা মীয়াম্না য়ানীংদবা ৱাখল অমা পাক-শন্না পোকহল্লে হায়বসি মহাক্লা উবা ফংখি। "কম্যুনিষ্ট" পার্টি অমনা লৈঙাক্কুনা লৈরিবা চাইনিজ ষ্টেট অমবু মীয়াম্না নৌহৌননা য়ানীংবা পোকহন্নবগীদমক্তা রিফোর্ম তৌবা অমসুং মপানগা শম্নদুনা মীয়ামগী পূন্সি-মহিং ফগৎহনবা মথৌ তাই হায়না মহাক্লা খনখি।

দেংগী হৌদোংগী থীওরি অমসুং ৱারেং অসিদা মমাঙদা পনখিবা চাইনিজ আমেরিকান লৈনবা মরীদা মহাক্কী মীৎয়েং হায়রিবশিং অসি য়েংলুরবদি কেপিটেলিষ্টনা মপূং ওইবা ৱর্ল্ড মার্কেটকী মায়কৈ তম্না অনৌবা খোঙথাং অমদা চঙশিনবগী মমি তাবা উই। মাওইষ্টকী মতমদদি মার্কেট ইকনোমিক্স অমসুং শেন্দোং তান্নবা হোৎনবা হায়বসি অশেংবা সোসিয়েলিজমগা চূনদবা ভেল্যু অমদি প্রেক্টিশ ওইনা লৌনরম্মী। দেং অমসুং মাউ মতুংগী চাইনিজ লিদরশিপ্পা চাইনাগী মোদর্নিটি তম্না চঙশিনবা খোঙজং অসি হান্নদগী পুমতোঙ তোঙানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা চঙশিনখি অমসুং মখোয়না চাইনা মশাগী ওইবা চাওখৎ-থৌরাংগী লাল্লোং অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙগদবা মচাকশিং অদুগীদমক্তা নোংচুপলোমদা মীৎয়েং থমখি। ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা দেংনা পি আর সীবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী দিপ্লোমেটিক ওইনা মপূং ফাবা রিকগনিশন পীহন্নবা কন্না হোৎনখি।

হায়রিবা চাওখৎ-থৌরাংগী প্রোজেক্ট অসিগী য়ূম্ফম অমা শেমগৎনবগীদমক্তা দেংনা লৈঙাকপা চাইনানা চাইনিজ মহৈরোয়শিংবু মীরৈপাক্তা মহৈ তমহল্লুনবা থাবা, নোংচুপকী লৈবাকশিংগা চাইনাগী লল্লোন-ঈতিক্না মরী লৈনবা হেনগৎহনবা, মীরৈপাক্কী শেল থাদরকপদা তরাম্না ওকপা অমসুং অতৈ খোঙথাংশিংগী মরক্তা অখন্নবা শেন্মীৎলোন চাওখৎহন্নবা মফম কয়ামরুম চাইনাগী সমুদ্র মপান-পরিংদা শেমগৎপা অসিনচিংবা থৌশিল কয়া পায়খৎতুনা লৈবাক অসিগা মপানগা মরী লৈনবগী মওং-মতৌশিং অসি য়াম্নমক পাকথোক-চাউথোকহনখি। চৈরক অসিদা, বৈজিংনা মীরৈপাক্কী কম্যুনিষ্ট-লালহৌবশিংদা মতেং পাংলম্বা অদু তপ্না তপ্না হন্থহনখি অমসুং মমৈথংদা তোকথোকখি।

মতম অদুদা, মালেমগী কোল্ড ৱার অসি লেপ্তুনা চত্থরি। চাইনাগা সোভিএট য়ুনিয়নগা মুক্লবা অসিসু মরু ওইনা কুমজা ১৯৭৯গী দিসেম্বরদা সোভিএটনা আফঘানিষ্টানদা লান দাখিবা মতুং অদুদগী মখা তানা চত্থরকখি। দেংনা সোভিএটকী লান্দা অদুবু "মালেম শীনবা থুংনা খুদুম চনশিন্নবা হোৎনবগী মরু ওইবা খোঙথাং অমনি" অমসুং মদুনা মালেমগী মরা তপ্পা অমসুং সিক্যুরিটিদা য়াম্না চাউনা অকায়বা থোকহল্লে হায়না ফোঙদোকখি। বৈজিংনা মোস্কোগা লৈনবা মরীশিং অদুগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা সোভিএটনা আফঘানিষ্টানদা লান্দাবা অদুনা অনৌবা পল অমা ওইহল্লে হায়না মহাক্লা লাউথোকখি। মসি কোল্ড ৱার মনুং অদুদা চাইনানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং কেপিটেলিষ্ট ৱেষ্টকী মীচংদা লৈগনি হায়না দেংনা ৱাশিংটনগী মফমদা ইঙ্গিৎ ওইনা খঙহনবনি।

মতম অদুদা ভিএটনাম অসিসু চাইনাগী য়েক্লবা ওইনা লৈখি। ভিএটনামগী কম্যুনিষ্টশিংনা লৈবাক অসিবু কুমজা ১৯৭৫দা অমত্তা ওইনা পূনশিনখ্রবা মতুংদা বৈজিংগা হানোইগা লৈনরিবা মরীশিং অদু খোঙলৈ থুনা ফৎচিল্লকখিদে। কুমজা ১৯৭৮গী দিসেম্বরদা ভিএটনামনা কম্বোদিয়াদা লান্দাখিবা অদুনা মখা তানা চাইনিজ-ভিএটনামিজ লৈনবা মরীদা অকায়বা থোকহনখি। চাইনাগা য়ূল্লোন্নবা লৈবাক অসিদা সোভিএটনা মশাগী ঈথিল শন্দোক্লবা হোৎনবদা হানোইনা এজেন্ট অমা ওইরে হায়না বৈজিংগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোক্লখি। কুমজা ১৯৭৯গী ফেব্রুৱারীদা "ভিএটনামিশিংবু পাড়া অমা তন্বীনবগীদমক্তা" চাইনাগী লান্মীশিংনা ভিএটনামদা লান্দাখি। চাইনা অমসুং ভিএটনাম অনীগী মরক্তা লৈরিবা ঙমখৈ লমশিং অদু কুমজা ১৯৮০গী মতমশিং অদুদা লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা লীশাং শীৎনা শোক্লবা লানগী লানবুং অমা ওইখি।

কুমজা ১৯৮২-১৯৮৩ য়ৌরকপা মতমদা চাইনাগী লৈবাক মনুং অমসুং মালেমগা মরী লৈনবা পোলিসিশিং অসি অতোপ্পা য়াম্না মরু ওইবা মায়ওন অমদা চঙশিল্লকখি। পোলিটিকল ইকোনোমিক অমসুং ইদিওলোজিকল টর্মশিংবু শেমদোক-শাদোকপা অমদি মপানগা শম্নবগী থৌওং অসিনা চাইনাবু হান্নগা মান্নদবা, পুম্নৌ নৌবা লৈবাক অমা ওইহল্লকখি। মমাঙদা লৈরম্বা কম্মান্দ ইকনোমি, মপানগা শম্নদবা খুন্নাই, মাওইষ্ট ইদিওলোজি অমসুং মাওইষ্টশিংনা মীয়াম্বু মোবিলাইজ তৌবগী তোপ তোপ্পা মওং, উটোপিয়নষ্টাইলদা লৈঙাক লিংবগী মরম চাবদু উৎপা নৎত্রগা মালেমদা তোঙান্না তাবগী মওং অমসুং মাওইষ্ট "রেভল্যুস্নরি কন্ত্রি" গী মশক পূম্নমক অসি করিগুম্বা মখলগী মতীক-মঙম অমত্তনা চাইনাদা অমুক হন্না হঞ্জিনহনবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখি।

সোভিএটকী লুচিংবা লিওনিদ ব্রেজনেভনা কুমজা ১৯৮২দা মোস্কোনা চাইনাগা লৈনবা মরী ফগৎহনবা পাম্মী হায়না লাউথোক্লকখি। তাঞ্জা অসিদা বৈজিংনা চাইনাগী শরুক অমা ওইনা লৌবা টাইৱানগী মায়কৈদা প্রসিদেন্ট রোনাল্ড রিগাননা য়াম্না লুনা-চান্না তিন্নবা মরুপ-মপাংগী মীৎয়েং অমনা য়েংলকপদগী বৈজিংনা ৱাশিংটনগা মরী লৈননবা হোৎনবদা অপনবা অমা মায়োক্লখি। ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা দেং অমসুং চাইনিজ লুচিংবশিংনা, চাইনা-আমেরিকা অনীগী মরী অসিবু নৌহৌননা মশক তাক্লবা হোৎনবগী মথৌ তারকখি। বৈজিংনা কুমজা ১৯৮২দা চাইনিজ ফোরেন পোলিসি অসি "নীংখা তম্বা অমসুং ইশানা ইশাগী লাইবক লেপচবা" হায়বা চৎনরোল অসিদা য়ূম্ফম ওইগনি, মরম অসিনা সুপরপৱার অনীগী মরক্তা কনাগীসু মীচঙ চঙদনা লৈনবা হোৎনগনি হায়না লাউথোকখি।

চাইনা-সোভিএট অনীগী মরীসু কয়া ফবা হায়বদু ওইখিদে। লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা মরী ফগৎহন্নবা হোৎনবদা খুরৌ থাংহল্লিবা অসি সোভিএটনা আফঘানিষ্টানদা লান্দাশিনবা অমসুং মরু ওইনা কম্বোদিয়াদা ভিএটনামিজশিং লৈশিনবা অসিনি। অদুবু, হেন্না মরু ওইরিবদি ইন্টরনেশনল অমসুং লৈবাক মনুংগী ওইবা মরম অনীমক্লা বৈজিংবু ভিএটনামদা অকনবা মীৎয়েং চঙহনখিবা অসিনি। দেংনা কুমজা ১৯৮০গী মতমশিংদা ভিএটনামদা শোক্লখিবা "অশাংবা লান" অদুনা চাইনিজ মীয়ামগী পূক্নীংদা মরৈবাক নীংবগী ঈহুল অমা পোকহন্নবা মোবীলাইজেশনগী ফরবা পাম্বৈ অমা ওইখি। চাইনিজ খুন্নাই মনুংদা রিফোর্মগী পোলিসিশিংনা থোং মান্নদবা শেন্মীৎলোনগী ফীভম অমা য়াম্না পাক-চাউনা লৈহল্লকপা, মসিনা মরম ওইদুনা চাইনাদা লৈঙাক পায়রিবা কম্যুনিষ্ট ষ্টেটপু মীয়াম্না খম থেংনা য়ানীদংবা পোক্লরকপা মতম অমদা, ভিএটনামগা লান শোক্লবা অমসুং বৈজিংনা লান অসিবু মীয়ামদা উহনখিবগী মওং অদুনা চাইনিজ মীচমশিংনা কম্যুনিষ্ট ষ্টেটপু শৌগৎনরম্বা অদু কায়হন্দনা থম্বা ঙমখি।

বৈজিংনা মোস্কোগা মরী লৈনবা পামদবগী হেন্না মরু ওইবা মরম অমনা দেং অমসুং মহাক্কী মপাং ওইরিবা চাইনাগী লুচিংবশিংনা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা চাইনাগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মরী লৈনবনা হেন্না মরু ওই হায়না লৌবা অসিনি। দেং অমসুং অতৈ রিফোর্ম তৌবা পাম্বা চাইনাগী লুচিংবশিংনা লৈবাক অসিবু ইনৌ নৌনা শেমদোকপা অমসুং মপানগা শম্নবগী থৌশিল অসিদা মপূং ওইনা কেপিটেলিষ্ট ৱেষ্ট অমদি থোইদোক্লা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী তেংবাঙ অমসুং শৌগৎপা মথৌ তাগনি হায়বসি খঙবা ঙমখি। ●

(মখা চত্থজরকখিগনি)

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্লা মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (৮)

- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -

(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)

থায়না মতম অমদা তৌরম্মী হায়দুনা হৌজিকসু মদুতা তৌদুনা লৈরবদি পানবা য়াবা মতম নত্তে। চহী খুদিংগী কুমজা খুদিংগী চৎনবীসি মরোল মরোল হোংলিবা মতমনি।

থায়না হায়বসি অঙাং ওইবগী মতমগুম্বনি, হৌজিক অসিনা ৱাখল তারকপা লৌশিং মৈরা ফরকপা মতমনি। খুদুপ তরা তৌথরগা লৈনুংদা থায়না ইপা-ইপুশিংনা শীজিন্নরম্বা চফু অকাইবা, লিক-কোল, য়ূম্ফম, লৈরং, চেকপল, লাইশঙনচিংবা ফংনরি। অসুম্না লৈনুংদা থায়নগী ইপা-ইপুশিংদুনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরম্বগী খুদম ফংনরিবা মফমদো থায়না মতম অমদা ইপা-ইপুশিংনা লৈরম্বা মফমনি হায়দুনা ঐখোয়না হৌজিকপু লৈনুং অদুদা চঙদুনা লৈরুবা য়াবা হৌনদে। ইপাদি তুরেলদা ওন্থদুনা শিখ্রে, মচাসু মফম অদুদা ওন্থদুনা শিরুদবা য়াদে হায়বা লাইগী ৱায়েল করিসু লৈতে।

থায়না ইপা-ইপুশিংনা মতম অদুদা তৌরম্বশিংদো হৌজিক অসিদা হোংদোকপদা করিসু লৈখা তারুগদবা লৈতে। মীতৈ ঐখোয়না মীতৈরোলসি থাদোকপা য়ারোইদবা য়াম্না লৈখ্রে। মীতৈ ঐখোয়গী লাইরোন হায়বসি মপান নাইদনা লৈখ্রে। অপোকপা, সনামহী, পাখঙবা, লৈমরেলনচিংবা পূম্নমকসি মীতৈ ঐখোয়না থাদোকপা ঙমদবা নৎত্রে। থাবা য়াখিদ্রবা, কাউবা য়াখিদ্রবা খিবিকশিংবু থাদোক্লবদি, লাইথোক্লবদি ইপা-ইপু মীরাইবা তারগদ্রা, মীতৈ ঐখোয়না থাদোকপা ঙমদ্রিবসিগী মরম করি লৈবগে খন্থবা মতাংনি অমসুং মীতৈলোলসু শেংবা ঙমদা ময়াংলোলসু তাবা ঙমদা মরক শারক ওইরগদ্রা কিজবা মরম্না ইবুংঙো ইবেন্মশিংগী খুয়া-খাদা চংদুনা হংগৎচরিবনি।

মীতৈ চাওখৎনবা তৌরবতদা মীতৈ ঐখোয়গী অফবা ওইগনি হায়না নীংজে। মীতৈলোল অসি মরক্তগী পাইরক্কুনা তোংলখিবা নত্তে। মীতৈলোল অসিবু মীতৈ ঐখোয়গী ইপা ইপুমক্নি হায়দুনা নীংবসিবু থোইদোক্লা অকায়বা ওইরোইদমাল্লে খঞ্জে। তেংবানবসিদা অতৈ অতৈ মীগীদি মহাক মহাক্কী মফম খঙনখ্রে। শোৎথহৌরিবদি মীতৈ ঐখোয়তনি। ওন্থোক্লা কলহৈবা, ওন্থোক্লা লৌশিংশিংবা, ওন্থোক্লা ফজথোইবা মীতৈবু লায়রবগী চৈথেংনা নৈথবিদুনা লৌশিং মরা তাবা ঙমখিদে। মীতৈ ঐখোয়গী মফম খঙবা হায়বসি হৌজিক অসিদা ওন্থোক্লা অরুবা থৌরম অমনি। মীতৈ ঐখোয়গী হৌরকফম অসিবু হেক হায়বা ঙমদ্রবদি মীতৈ ঐখোয় অরেম্বা তাগদৌরিবনি। অৱাং মায়কৈ পাংবদা-চীংলোন ওইনা ঙান্দুনা লৈরিবা লাইরৈবাক কৌব্রুচীং, সেকমাই, মকোইনুংওলচীং লৈখ্রে। নোংপোক পাংবদা - কোংবমরূ, ইঙৌরোক, নোংমাইজিং লাইফম্নচিংবা লৈখ্রে, পনম নিংথৌগী মৈ হৌজিক ফাওবা চাক্কুনা লৈরি।

খা পাংবদা - চীংনুংহুৎ, শুগুনু ৱাংব্রেন নিংথৌ, ৱাইখোংদা ইবুধৌ পাখঙবগী খুভম, থুমখোঙ লাইরেম্বীগী লাইফম, লাইরেম্বী শিদবীগী শায়োন-ওইরিবী ইবেন্মা থোইবীগী য়াথং মতুংইন্না হৌখিবা লৈহৌরা লায়োম, মনীং মমাঙ ওন্না হৌখিবা চৈশু, থৌবাল তোমজিংদা সোরারেনগী থায়নগী কোনুং লৈরি, ৱাইথৌ পাৎ, লংথবাল কোনুং অমনবা অসিনচিংবা লৈখ্রে। সন্দোং পাংবদা - তোর্ব্বুং, ক্বাক্তা, লোক্তাক পাৎ, লমাংদোং, লাইনিংথৌ খোরিফাবা, কোন্থৌজম লাইরেম্বী, মচিন-মনাও চীংলক অসিনচিংবা লৈখ্রে। নোংচুপ পাংবদা - কাংচুপ খুল, লমশাং কৈথেল, উরিপোক, লম্ফেল, তাকয়েল পাৎচাউ লৈখ্রে। মৈরম পাংবদা - পল্লেল, লৌশিপাৎ, খুন্দচীং, খোংজোম তুরেল অসিনচিংবা পূম্নমক হৌজিক ফাওবা লৈরিবনি। মসি পূম্নমক লৈনা-লৈনা মীতৈ হৌরকফম থিবা ফংদবা হৌনদে। হায়খ্রিবা পূম্নমক্কী মমিংসি মীতৈলোল মক্তনা থোল্লিবা মিংথোলনি। অতৈ অতৈ মীগী মরোলনা থোনবা মিংথোল অমত্তা য়াওদে। মরম অসিনা মীতৈ লৈবাক হায়বসিতনা মীতৈগী হৌরকফম মফমনি হায়বসি তশেং তশেংলবনি।

মীতৈলৈবাক হায়না খঙনরিবা লমদম অসিদা লৈরিবা মখল মখা মীশিংনা মখোয় মখোয়গী মরোল মতুং ইন্দুনা মহাক মহাক্লা থোন্নীংবা মিংথোল থোনখি। হৌজিক্তি 'মণিপুর' হায়রগা খঙনরে। মমিং অমা থোনবা হায়বসি থোল্লি থোল্লিবা মমিং পূম্নমক অসি থোনবীরিবা মী মী অদুনা ওইগনি, ময়াং মরোল নৎত্রগা সংস্কৃট মরোল ওইগনি। ইপা ইপু লাইওইখ্রবা অহলশিংনা লোন্নরম্বা মীতৈলোলদা সংস্কৃটকী মচেৎ অমা ফাওবা য়াওরম্বগী খুদম ফংজদে। 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈসি মীতৈলোল নত্তে। 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈসিনা ময়াং মরোল ওইরবদি ময়াংনা থোনখিবনি হায়বসি অরেপ্পনি। মচিনঙৈদা 'মণিপুর' হায়বা মিংথোলসি মীতৈ লৈবাক্তা থোল্লমদে হায়বসি অখঙবা অহৈবা ইবুংঙোশিংনা হায়নরি। লোনয়ান খন্দোকপদা ময়াংনা মীতৈলৈবাকপু 'মণিপুর' হায়না থোল্লিবা মিংথোল অসি মীতৈ লৈবাকপু মণিপুর কৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা কৌনরম্বা মিংথোলদুদা চান্নবা মিংথোল অমদা ওন্থোকপীরবদি মীতৈগী য়াইফবা, নুংঙাইবা, লৈবাক মরা তপ্না পানবা ওইগনি হায়না নীংই। মীগীদি মাগী মাগী হান্না লৈরম্বা লমগী মমিং লোইনা ওন্থোক্লখ্রে। ঐনা অমুক হায়রুদ্রবসু ময়াম্না হেন্না খঙনরবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গী 'মণিপুর' হায়বা অসিসু ওন্থোকপা মতম ওইরমান্নে হায়না অখঙবা অহৈবা ইবুংঙো ইবেন্মশিংদা অমদি লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

সনামহী, পাখঙবা হায়রিবা অনীমক অসি অচম্বা অমত্তা নত্তে। তেংবানবগী মপু ইবুংঙোনা শায়োন ওইনা পোক্লরিবনি। সনামহী হায়রিবা ইবুংঙোসিদি লৈমরেল শিদবীনা পোকচবা নত্তে, চফু অহিংবগী মনুংদগী হুমনিদশুবা অঙাং ওইনা ফংবনি। লৈমরেল শিদবীনা য়োকচবনি হায়না সকোক্ থিরেন কৌবা পুয়া অমদা হায়রিয়ে। মরম অসিনা ইবুংঙো মহাকপু মপোক লৈতবগী শাগৈনি হায়না খঙনৈ। পাখঙবা হায়বসিনা লৈমরেল শিদবীনা হেক পোকচবনি। মতীক ময়াই লৈবা মচানি খঙদুনা লাইনিংথৌ শিদবনা মচা সনামহীবু অচৎ চৎত তাইবঙ শেন্মু য়াথং তৌখি। য়াথং মতুংইন্না সনামহীনা তাইবঙ মী শেমখি। সনামহীনা মপাবুং শিদবগী মমি য়েংদুনা তাইবঙ মী শেমখি হায়বসি অরেপ্পা ৱানি হায়বদি মহিরোল অথোইবদগী তাইবঙ মীওইবগী মওং ওইরকই হায়বসি ককপা য়াদ্রবা ৱানি, য়াম্না ৱাংখ্রবা মীতৈগী নুংগী ওইবা য়ূম্বানলোনগী ৱানি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৪গী ৱাহং**

১) "লৈমন চল্লবী গুলাপ" হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "বিলাশিনি" (১৯৭৮) হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৩) "সনা পেতু পিয়াইনো" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) "শুক্লা মল্লি; কোয়না য়েংখিবদা, অথাপ্পদা অহাংবদা তন্দন অমফাওবা পাইদে। ... শমিন মচেৎ অমত্তা ফংদে।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবা ৱাহৈ পরেংনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং ইয়ু। ট্রান্সলেটর অসি কনানো?

৫) "অৱাবৈ হৌরকফমদি নুংঙাইরুবনি
পিরাংগী হৌরকফম্না নুংশিরুবনি
কায়নবৈ হৌরকফম্না থাজরুবনি
নীংবা কায়বৈ হৌরকফম্না নীংশিংলুবননি।"

ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো? লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১২৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মাইবম কাংজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (৩,৪)
২) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৩,৪)
৩) খাইদেম বিলিয়ন মৈতৈ, লমশাং বজার - (১,৩,৫)
৪) থোকচোম নিরুপমা, পাৎশোই পার্ট থ্রী - (১,৩,৫)
***৫) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,৩,৪,৫)***
৬) মাইস্নাম বুদ্ধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩)
৭) অনন্দকুমার খুঞ্জামযূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১২৩গী ৱিন্নর*

***তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১২৩গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৩গী পাউখুম**

১) "নোংলেন অমগী ৱারী" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
**:- অইবা - ৱাংখৈময়ূম জয়ন্তকুমার, লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অহানবা ফোঙবা : সেপ্টেম্বর ০৩, ২০১৯।**

২) "মন্থরবা লৈনাশিংনা কপলি
য়েংলি কিজনা মালংববু
লোৎলি অকংবা মশারক্তা।"

ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসিগী মমিং ইয়ু। **:- লাইরিক্কী মমিং - লিরি শিংপা অয়ূক্কী মালংদা, অইবা - হৱাইবম জান্ধো, ফর্ষ্ট পব্লিশ : ওগষ্ট, ২০২৪।**

৩) "চৈনাখোলগী চৈনা" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?
**:- অইবা- রোয়বলা হৈক্রুজম, লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী লাইরিক, অহানবা ফোঙবা : এপ্রিল, ২০১৪।**

৪) "ঐগী নুংশিরবী পোক্লফম লমদম! নঙগী নরাইবক্তা
হৌরিবা উফুল অসি-
করম্বা লৌমীগী লাঙ্গোন উকায়না
লৈতা মান্নহনবদা হৌবা উফুল নত্তে।"

শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু। **:- লাইরিক্কী মমিং - বিদায়! কংলৈপাক বিদায়!, অইবা - সোরোকখাইবম গম্ভিনী, অহানবা ফোঙবা : লাইরিক মেলা, ২০০৭।**

৫) "ভক্ত প্রহ্লাদ চরীত" (১৯৯৩-৯৪) হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?
**:- অইবা - শ্রীমতি টি ঐচ থাগোই দেবী, ফোঙবা - ১৯৯৩-৯৪।**